থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মেইনলেন্দ ইন্দিয়া অমদি সেকেন্দ ক্লাস সিতিজন

ইন্দিয়া হায়বা লমসিদা লৈরুরবা কৌবনা ঐখোয়, অৱাং নোংপোক ভারত হায়না শক্তাকপীবা লমসিদা লৈরুরবা ঐখোয়সু ইন্দিয়ন অমনি হায়দুনা পুক্নিংসিদা চাউথোকচৈ। ইন্দিয়ন হিষ্টরি, ইন্দিয়ন জিওগ্রাফি, ইন্দিয়ন কলচর - বৃটিস ইন্দিয়া ওইরিঙৈ মতমদুগী 'রুলর' (লৈঙাকপা) ময়াম্না লমদমসিগী মীয়ামদা নমদুনা ইমপোজ তৌরকখ্রবনি। ইন্দিয়াগী শরূক অমা ওইরমদ্রবসু, হিন্দু ধর্ম্মদা লাইমিং লৌখিবদি চহী চহুম হেল্লবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পূনখ্রবা মতুংদা পোকপা ঐখোয়দি, স্কুল-কোলেজ-সিনেমা হোলনচিংবদা 'জন গন মন' শক্ত-য়াদবা ঈশৈ ওইনা শক্লক্তুনা য়ক লাউবা ইন্দিয়ন মাইন্দ-সেত অমদা চাউরকখিবনি। ইন্দিয়াগী অচৌবা সহর অমদা লাইরিক তম্লি হায়রগা চাউথোকচবা নাপলদু ঐহাক্কীসু লৈরম্মী। অদুবু, দিল্লি-বোম্বে (মুম্বাই ওন্দ্রিঙৈদুদা) চেন্নাইদা অচৌবা নেসনেল কনফরেন্স য়াওরুঙৈ লাইরিক হৈরবা ময়ামদুনা, 'ঐহাক মণিপুরদগী লাকপনি' হায়রুবদা 'মণিপুর কদায়দা লৈবগে' হায়না নমহঙ হংজিল্লকপদা ঐগী ইন্দিয়ন অমনি চাউথোকচবগী নাপন অদু তোকখিবনি। ইন্দিয়ন এক্ত্রেস নর্গিসনা মেহবুব খানগী 'মাদর ইন্দিয়া' ফিল্মগী ওস্কার এৱার্দ লৌবা চৎপদা, মচু থোক্লা লংলবা সারীনা হেন্না মগুণ হাপ্লবা ইন্দিয়ন এক্ত্রেস অদু তম্না মীয়াম্না ওমশিল্লকপা, য়েংনবদু উবদা নর্গিসনা খঙ্গখি - 'ৱেস্তর্ন ব্যুতি নত্তবা ইন্দিয়ন ব্যুতিগী মশক্তুদা শুমহৎখিবা ওইরিনি...।'

নকশিল্লক্লগা হংলকখি হায় 'নহাক করি লমদগীনো?' 'ঐহাক ইন্দিয়াদগীনি' নাপন য়াওরা পাউখুমনি। 'ও ... ইন্দিয়াদগী ! মফমদুদবু য়ুম লৈবরা?' ঈঙক ঙক্লা হংলকখিবা ৱাহংদুনা, ইন্দিয়ন তোপ ষ্টার অমগী নাপন থুদেকখি।

'ঐখোয় ইন্দিয়নশিংদি য়ূমদা লৈবা হৈতে, উপাল ৱাপালগী মতোন্দা উচেক্লুম ইকোন শাদুনা লৈ...' মশানা মশাগী থম্মোয় শোকহঞ্জবা পাউখুমসিদা 'ইন্দিয়ন প্রাইদ' অদু কদায়দা মাঙখ্রবা! পাউ অসি পানা পানা খনখিবা, হৌখিবা চহীচাগী হুম্ফুতরাগী মতমদনি। খরা লৈরগা ঐগী ওজা অমগী লেকচরদগী খঙহৌবনি - অমেরিকাগী সিফাই অমনা 'ঐ অমেরিকান অমনি' হায়বদা মশাদা পোকপা নাপনদু ইন্দিয়ন প্রসিদেন্ট অমনা 'ঐ ইন্দিয়ন অমনি' হায়বদা পোকপা ঙমজদে।

অসুম্না, মী অমনা অমবু, জাতি অমনা অমবু হন্থনা য়েংবা, থওই উশিত্তবই ৱারীসি ঐখোয়গী (ৱারেং অসি পারগদি ঐখোয় হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নবা লাল্লি হায়বীরকপসু য়াই) ইন্দিয়াঅসিদনা খরা-খিৎ হেন্না লৈবরা? ইশানা হকথেংনবা এক্সপরিয়েন্স কয়াদগী খল্লকপনি। মণিপুর হায়বসি ইন্দিয়াগী শরূক অমনি খঙদবা লাইরিক হৈবনা থন্না লৈবা লমসিদা, ঐখোয়বু হেক উবদা 'ইশানা ইশাবু শক্তাক্ত্রিঙৈ' ইন্দিয়নশিংনা ঐখোয়গী মরমদা খনবা ৱাখল অমা লৈ। ৱাখল অদু মখোয়না ঐখোয়দা কৌবা মীঙ্ঙৌদুনা তাকই। কুমজা ১৯৭০ গী অঙনবা শরুক্তগী তারক্লবা মীঙ্ঙৌনি - 'দাজু'। নেপালি লোনদা 'দাজু' হায়বদি 'ইয়াম্বা' হায়বনি। অদুবু দাজু হায়না কৌবদা শীজিন্নরিবা খোন্থোক অদুনা তাকই - ময়াম্বা অমদা নুংশিনা কৌবা মীঙ্ঙৌ নত্তে, কনাগুম্বা, হন্থবা থাক্কী মীওই অমদা উশিত্তনা কৌবা খোন্থোক অদুনি। চহী ১৭-১৮ দা ঙায়রিবা ঐঙোন্দা চহী ৪০-৫০ গী অহল অমনা দাজু হায়না কৌরক্লবদি মদু, ঐবু ময়াম্বা অমা ওইনা খল্লগনি খন'ঙমগদ্রা?

মীৎ খূবা, নাতোন নম্বা, নেমলপ তৌবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মীয়াম অসিবু, খা-ৱাং, নোংপোক নোংচুপ অমদি ময়ায় থংবা ইন্দিয়া, মখোয়গী ৱাহৈদা 'মেইন-লেন্দ-ইন্দিয়া' দা লৈবা মীওইশিং অসিগা মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা ঙমদে, তোখায়বা, হন্থবা মীৎয়েং অমদা য়েংই হায়বসিগী খুদম চাংদম ওইবা ৱারী অমদি থৌদোক কয়া লৈ। ঙসিসু থোক্লি। মরুওইনা ইন্দিয়াগী কেপিতেল সিটি দিল্লি অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়নশিংগীদমক্তদি অকি-অখং য়াওদনা, সেফ ওইনা লৈবা য়াবা মফম অমা ওইদ্রে হায়বসি, ঙসি ইফোং ফোংনা ঙাঙনরিবা ৱাফম অমা ওইরবনি। মসি করিদগীনো? য়ুমলৈ-কৈরৈ, লম্বী থোং চাউখৎপগী থাক মান্নদবা! অসিনা মরম শোয়দনমক্কী ওইগনি। ঐখোয়না শক-চু মান্নরবসু জাপানিজশিংগী মফমদদি মীৎয়েং অসি য়েং'ঙমদে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা উৎখিবা জাপানিজশিংগী শক্তি অমদি মতুং তারকপদা জাপানগী চাউখৎপগী থাক ইন্দিয়ানা চহী কয়াদসু তানখৎপা ঙম্লরোই হায়বা ইন্দিয়নশিংনা খঙই। জাপানদা য়েংবা মীৎয়েংদু চাইনিজশিংদা য়েংলমদে। অদুবু ১৯৬২, ইন্দো-চিনা-ৱার অদুদা ইন্দিয়ানা চঙ ফংনা মায়থিখিবা, ১৯৮০ গীমতুংদা চাউখৎপগী লমজেলদা ইন্দিয়াদগী খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎখিবা অদুগী মতুংদদি, উশিত্তনা য়েংলম্বদু অকিবা অমগা লোয়ননা য়েংলকখি। অসুম্না, সাউথ কোরিয়া, সিঙ্গাপোর- পীকচরবসু ইন্দিয়ানা ইকায়খুম্নরিবা লৈপাক্লি।

অদুনদি, ৱাফমসিমদি সুপসোয় শোয়দনা চুম্লনি, মদুদি, ঐখোয়না শোখনা লৈরুবনা, ঐখোয়বু ইকায় খুম্নদবনি। চিনা, জাপান, কোরিয়াগুম লূনা-নান্না-ঙক-থাঙ্গৎনা লৈরম্মু, 'তুম' (নঙ) হায়দুনা মীঙ্ঙৌবগী মহুত্তা 'আপ (অদোম) হায়না মীঙ্ঙৌরমগনি। ঐখোয়গী পোলিতিসিয়ন ময়াম অসিনা দিল্লিগী লুচিংবশিংদা উৎলি। 'জি-হুজুর' (নয়াথং তাকপীয়ু) হায়বা এত্তিচ্যুত অসিমত্তংগা হোংদোকহনবা মথৌ তাই। মদুগীদমক তঙায়ফদে - মতীক চাবা, পুকচেল শেংবা, শেল চাদবা লৈঙাকপা। বেঙ্গর পোলিতিসিয়ন নত্তবা! মদু কনানা খনগনি? ভোটকী মমল লৌদবা ভোট্টরশিংনা। ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং চহী ৬৯ গী মতুংদসু ঐখোয়বু ইঙক থাঙ্গৎনা হিংবা ঙমহন্দবগীদমক্তি, ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংদা 'স্কৱারলি ব্লেম' তৌগদবনি।

অশেঙবা ইন্দিয়ন ওরিজিনসু নত্তবা, পার্সি ওরিজিন ওইবা জমসেদজি তাতানা, বোম্বেগী গেট-ৱে ওফ ইন্দিয়াগী হেক মায়ওক্লবদা 'তাজমহল হোতেল' শাখিবগী মরমদি, মতমদুদা, মফমদুৱাইদা লৈরম্বা মমীং চৎলবা হোতেলদুদা 'হুই অমদি ইন্দিয়নশিং লৈবা য়ারোই' হায়না থেৎলম্বা পোষ্টর অদুনা মরম ওইরগনি হায়বা ৱারীদু অদোম তাবীখিবরা? তাজ-হোতেল, হুইগা মান্ননা থমখিবা ইন্দিয়ন খুদিংমক্না লৈননবনি। ঙসি 'মেইনলেন্দ-ইন্দিয়া' হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নরকপা অসিনা, মেইনলেন্দ- সি লৈতবা অতৈ ইন্দিয়নশিং অদুদি 'সেকেন্দ ক্লাস সিতিজেন' হায়বা অতোপ্পা ৱাহৈ অমা শেম্লস্লিবসি মখোয়দুগী-দমক্তরা? হংনীংলকই।



লৌশিং পুক্কে

# থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদদি নুপীগী ব্রেন্না মথৌ তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই

নুপানা নুপীদগী লৌশিং লৈবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়ায় হেল্লি হায়না মীওই অয়াম্বা থাজনৈ। অদুবু মীয়ায় চল্লকপা মতমদদি নুপীনা নুপাদগী নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়ায় হেল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপীনা নুপাদগী ব্রেন ফবা হেল্লবসু থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদদি নুপীগী ব্রেননা মথৌ তাবা ঙম্বগী চাং তপ্না তপ্না হন্থরকই। লোয়ননা মেমোরি ইম্প্যেরমেন্ট অমসুং দিমেন্সিয়াগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) কী রিপোর্টনা হায়, মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লবসু থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদদি এষ্ট্রাদিওলগী চাং হন্থখিবা মরম্না নুপীগী ব্রেননা মথৌ তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। মরম অদুনা অনৌবা লৌশিং তানশিনবা অমসুং হান্না খঙখ্রবা ইনফোর্মেসন নীংশিংনবা হোৎনবদা ৱানা থোকই।

নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটিগী জর্নেল 'মেনোপোজ' গী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙল-কখিবা রিপোর্টনা হায়, নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকপা অমসুং তোয়না কাউগনবগী থৌওংবু তরাইনা খক লৌরোইদবনি। মতম চানা ডোক্তরগা তান্নদুনা খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, কেনাদাগী ভেনকোৱরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা হায়খি মদুদি, চাং নাইনা এরোবিক এক্সর্সাইজ তৌবা মতমদা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা ব্লদ প্রেসর ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই। কা হেন্না ব্লদ প্রেসর ৱাংলবদি ভেস্ক্যুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী রিস্ক ৱাংলক্তুনা দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপা য়াই। দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অলঝিমর'স দিজিজগী হেক মথংদা ভেস্ক্যুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টনি।

ভেস্ক্যুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি ব্রেনগী অচৌবা অমসুং অপীকপা ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোরকপদগী ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই। য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী টেরেসা ল্যু-এম্ব্রোসনা হায়খি, ষ্টদি খরদা হকচাং শাজেল তৌবনা মেমোরি প্রোব্লেমগী রিস্ক হন্থহনবগী খুদম ফংলে।

'ন্যুরোলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসন্দা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মীওই ৭০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা হকচাং শাজেল তৌবনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকপগী খুদম ফংলে।

অমরোমদা, গ্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রোবার্ট হেবেকিসনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, তূম্বগী চাং ৱাৎলবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। রিছার্চরশিংনা উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা তূম্বা ৱাৎলবদি ব্রেনগী হিপোকেম্পসতা ন্যুরোনশিং অমগা অমগা পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই হায়বা খঙলকখি। হিপোকেম্পস হায়বসি নীংশিংবা অমসুং অনৌবা লৌশিং তানশিনবদা শীজিন্নরিবা ব্রেনগী শরুক অদুনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী রিছার্চর জোসেফ ফর্থনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌরকপা মরম্না নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই।

সিজোফ্রেনিয়ানা নারবা মীওই ৩৮৫ বু চয়োল ১২ চুপ্পা হকচাং শাজেল তৌহনবদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌরকপা থেংনখিবনি।

সিজোফ্রেনিয়ানা নারবা মীওইশিং মথন্তা ৱাখলনা শাগৎলগা মমিৎতা মশেল মরাং পংউদা উবা মরম্না অকিবা ফাওরকই। হায়রিবা মীওইশিং অদু হীদাক-লাংথক পীজবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌহল্লবদি অথুবা মতমদা ফীভম ফগৎলকই হায়রি। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙম্লকপগা লোয়ননা সিজোফ্রেনিক পেসেন্টশিংনা অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোকশিং খঙবা ঙম্মী অমসুং নীংশিংবগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই।

মী মশক খঙবা ঙমদবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙখিবা হায়বসি সিজোফ্রেনিয়াগী মরুওইবা লায়ওংনি। অদুবু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই হায়না জোসেফ ফর্থনা ফোঙদোকখি। অনাবা হৌগৎলকপদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি সিজোফ্রেনিয়াগী ফীভম ফগৎলকই হায়বা খঙলে। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি সিজোফ্রেনিয়া বুলেটিনগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

কেনাদাগী ভেনকোৱরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, অহল ওইশিল্লক্লবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরক্লবা মীওইশিংনা এরোবিক এক্সর্সাইজ তৌরবদি য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংবগী খুদম ফংলে। রিছার্চরশিংনা মীওই খরদা তৌবা মীওইশিং ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই হায়বা খঙখি। হকচাং শাজেল তৌবনা হীরম কয়াদা কান্নবা পীবগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবদসু মতেং পাংই।

অমরোমদা, তূম্বা ৱাৎপনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থহল্লি হায়না গ্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।



# নুংবী চফুগী দিমান্দ পীবা ঙম্নবা মেছিন, ৱার্কশেদ লৈঙাক্লা মতেঙ পাঙহন্নিংই: য়িনমায়ো




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএন এস): নুংবী চফু অমসুং কপকী দিমান্দ মীয়ামদা পীবা ঙম্নবগীদমক মেছিন অমসুং ৱার্কসেদ অমত্তং লৈঙাক্লা মতেঙ পাঙহন্নিংই হায়না নুপীলাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা এগজিবিসনদা শরুক য়ারিবা নুঙবীদগী য়িনমায়ো লুইরামনা ফোঙদোরক্লি।

নুপীলাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৮ দগী চথরকপা পোট্টরিগী ওইবা নুমিৎ মঙানিগী ৱার্কশোপ কম এগজিবিসনদা শরুক য়ারিবা নুঙবীদগী য়িনমায়ো লুইরামনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ৮ দগী চথরকপা এগজিবিসন অসিদা লুপা লিশিং ১০ রোম য়োল্লে। য়োল্লিবা পোৎলমশিং অসি চফু অমসুং চা থক্নবা কপনি। ইম্ফালদা য়াম্না পাম্নরিবসি চফু অমসুং কপনি। মমলনা লুপা ১০০ দগী ১০০০ ফাওবগী চাংদা লৈ। চফু অমসুং কপ সেট ত্রেচিংবসু য়াওরি। তেঙ্গোৎনচিংবসু য়াওরি। পোৎলমশিং অসি ইম্ফালদা চয়োল খুদিংগীসু পীরি। মসিগী মথক্তা দিল্লিদা থা খুদিংগী পী। শেল ওইনা লুপা ১০০০০ দগী ২০০০০ ফাওবগী মনুংদনি। থা অমদা লুপা লাখ অমগী পোৎলমশিং শাই। হৌজিক দিমান্দ য়াম্না লৈবা পোথোক অমনি হায়না লৌবা য়াই। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী নুঙবী হায়বা খুল অসি মালেমগী থাক্তা খঙবা ঙম্লে। মেছিন লৈতবনা মীনা শুবনা য়াম্না ৱাবা ওইরি। নুঙকুপ তক্নবা মেছিন অমত্তং লৈঙাক্লা মতেঙ পাঙবীরবদি পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্লগনি। দিমান্দ তৌরিবা ময়ামসু নিংবা থুংহল্লগনি। পোৎ চৈশারগা ষ্টোক্তা থমদবসু য়াদে। য়ুম পীকপা মরম্না নোংজু থাদা মৈ থানবা মফম লৈতবদগী থা অহুমলোমদি নোংজু থাগী মতমদা মৈ ঈকপা ঙমদনা থবক লেপ্পী। ৱার্কসেদ ফজনা লৈরবদি মৈ থাদুনা ঈকপা য়াই। মদু ওইরবদি নোংজু থাসু থবক শুবা য়ারগনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা মেছিন পীবিরবা অমদি ৱার্কসেদ অমা শাবীরবদি নুঙবীগী চফু শারিবা অসি পোথোক য়াম্না পুথোকপা ঙমগনি। ইম্ফালদা পাঙথোকপা মেলা, এগজিবিসন, সঙাই ফেষ্টিবেলন-চিংবদা নুঙবীগী পোথোক কয়া ষ্টোল হাঙদুনা য়োল্লি। ইম্ফালদা মেলানচিংবা পাঙথোকপা মতমদা পুক্নিং থৌগৎপা হেল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেন্দিক্রাফটসকী ইন্সপেক্তর দব্লিউ জদুমনিনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়দা মতেঙ নৎত্রগা গ্রান্ট পীবা হায়বসি বেঙ্ককা মখোয়গা শম্নবা চঙই। ষ্টেট এৱার্দ, মেরিট এৱার্দ অমদি কন্সোলেসন হায়না খায়দোক্তুনা শেলগী মনা পীবদি লৈ। ষ্টেট এৱার্দিদা লুপা লীশিং য়াঙ্খৈদগী এৱার্দকী মতুংইন্না পীরি। নেসনল এৱার্দতা লুপা লাখ অহুমগী মনা পীবা য়াওরি। চহী ৬০ শুরবশিংনা লুপা লীশিং অনী থা খুদিংগী শিদ্রিবা ফাওবা পীরি। লৈঙাক্লা স্পোন্সর তৌবা থা তরুক তরুক্কী ত্রেনিং অমসু পী। এগজিবিসন তৌবসি মরুওইনা মীয়াম্না করি পাম্মী হায়বদু ফোঙদোকপনি।

লৈগী মেলা তৌবা মতমদা লৈশিংদু নোংমদা মশীং য়াম্না লৈখিবসু য়াওই। করম্বনা হেন্না পাম্মী হায়বদু খঙনা শেমগৎপা চঙই। মসিনা পোথোক পুথোক্লিবশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা ওইহল্লি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা হেন্দিক্রাফটসকী পোৎলমশিং দিমান্দ লৈবা পোৎনি। ফেষ্টিবেল অমা তৌবদা হেন্দিক্রাফটকী পোৎলম কয়া ওর্দর তৌরক্কনি। হেন্দিক্রাফটকী লমদা মণিপুরগী ওইনা ইন্সপেক্তর অনীখক্তা লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুদবা নত্তে। হেন্দিক্রাফটকী ইন্সপেক্তর দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈতবা মরম্না ফেষ্টিবেল, মেলানচিংবা পাঙথোকপা মতমদা মফম কয়াদা চৎলিবনি। ইন্সপেক্তর মশীং খরা হেনগৎলবদি নুংঙাইগনি। মেলা তৌবা মতমদা পোথোক পুথোক্লিবা মীওইশিংগী পোৎলমশিংবু উৎথোকপদা খুদোংচাবা ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মীতৈ ময়েক্কী টেক্সবুক ফঙহল্লু হায়দুনা জি পি কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএন এস): বি এ অহানবা সিমিষ্টরদা তমগদবা মীতৈ ময়েক্কী টেক্সবুকশিং মতিক চানা ফঙহল্লু হায়না ঙসি জি পি ৱুমেন্স কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা কোলেজ অসিগী গেটতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, বি এ অহানবা সিমিষ্টর লোয়গদবা থা খরখক্তা ঙায়শিল্লক্লবা মতম অসি ফাওবদা লাইরিক ফঙহনবা ঙমদবা অসি য়াম্না লায়বক থিবনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীতৈ ময়েক টেক্সবুকশিং মতম চানা ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুসু ঙসি ফাওবা অপলোদ তৌরক্ত্রি। মহৈরোয়শিংনা তমগদবা লাইরিক ফঙহনবা ঙমদনা ঈরোল চাউখৎহনগদবনি হায়না মীয়ামদা লাউবগী কান্নবা করি লৈরি। অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা টেক্সবুকশিং মতিক চানা ফঙহন্দুনা মীতৈ ময়েক তম্লিবা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর মীয়াম্না মতম কুইনগী মমাংদগী তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দ অমা ঈয়েক্তা মণিপুরী সবজেক্ট অসিবু তম্নবগী খুদোংচাবা অদু কুমজা ২০০৬ তগী বেঙ্গলি ময়েক্কী মহুত্তা মীতৈ ময়েক্তা তম্বা হৌরকখি। ক্লাস ৱানদগী ফাইব ফাওবা তম্বা হৌরকপদগী চহী খুদিংগী ক্লাস অমমম হাপকৎলকপনা চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০১৬-১৭ ফাওবদা ক্লাস টুৱেল্ব ইগজাম ফাওবদা মণিপুরী সবজেক্ট অসি মীতৈ ময়েক্তা থাখ্রে। মহৈরোয়শিংগী খ্বায়দগী লায়বক থিবা অমা ওইনা চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০১৬-১৭ দা বি এ ফর্ষ্ট সিমিষ্টরদা তমগদবা মহৈরোয়শিংগী মণিপুরী সবজেক্ট-শিংগী লাইরিক মীতৈ ময়েক্তা ফঙদবগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা মহৈরোয়শিংগী খুদোংচাদবা অসিগী থৌদাং খুদিংমক মরী লৈনবশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্তোরেট ওফ এদ্যুকেসন (য়ু), দিরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং লাইরিকশিং অসি নম্বগী কোপীরাইট ফঙলবা পব্লিসরশিংনা পুরোইদবগী মরম লৈতে।

একাদেমিক সেসন অসিদগী হৌনা মণিপুরী সবজেক্ট অসি মীতৈ ময়েক্তা তম্লগনি হায়বসি ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাংদগী খঙদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক ফঙহনবা ঙমদবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি। মহৈরোয়শিংগী রাইট খোঙ্গাওনবনি হায়না দেসামনা লৌই। লাইরিকশিং অসি মীতৈ ময়েক্তা নম্নবা হোৎনবদা কনাগুম্বা পব্লিসরশিংনা লন্নাই ইন্টরেষ্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা অতম্মনা ফোঙহন্দবগী থৌওং অসি দেসামনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হীরম অসিগী মতাংদা অমুক্কা হেন্না নোক্লিংলিবদি ৱেবসাইটদা লাইরিকশিং অসি পি দি এফ ফোর্মেটতা থাগৎলগা মসিগী অশোয়বা কুপশিন্নবা হোৎনবা অসিনি। কৈথেলদা লাইরিক ওইনা ফঙহন্দ্রগা ৱেবসাইটতা মহৈরোয়শিংগী তম্নবা লাইরিক থাগৎলগা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন ওইবা য়ারোই। মহৈরোয়শিংদা লাইরিক ফঙহন্দবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী রাইট মৎপনি হায়না লৌরগা হীরম অসিগী মতাংদা লোগী মতেঙ লৌনবা হোৎনরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা লেঙ্গুয়েজ দিরেক্তোরেট, এদ্যুকেসন (য়ু) অমদি পব্লিসরশিংগী মরক্তা ইন্থোক ইনশিন তৌনদুনা লৈবগী মহুত্তা পুন্না ফম্মিন্নদুনা লাইরিকশিং অসি কৈথেলদা ফঙহনবনা খ্বায়দগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।



# এন আই এল এস এ এলগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএন এস): নোংপোক ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী অপুনবা লুপকী নিপাল্লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ৱাংখৈদা লৈবা লুপ অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ঐচ ইবোহনবীনা প্রিসাইদ তৌখি। এ এম পি এফ এগী প্রসিদেন্ট এল দোনোনা স্পেসল গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর সীঐচ প্রিয়োরঞ্জন অমদি সী এ য়ু ইম্ফালগী রিটিয়ার্দ দিরেক্তর ওফ রিসর্ছ ওফিসর ডা. এম রোহিনিকুমারনা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রো. সীঐচ প্রিয়োরঞ্জন্না হায়খি, লৌমী কয়ানা মপুং ফানা মহৈ মরোং থাবদা খুদোংচানবা মণিপুরগী ইরিগেসন মেপিং তৌবা তঙায়ফদে। লৌউ-শিংউগী লমদা খুমাং চাউশিন্নবগীদমক সীদ প্লান্ট ওর্গনাইজেসনসু মপুং ফানা পায়খৎপা চঙই হায়নসু মখা তাখি।

রিসোর্ছ পর্সন ওইনা এম রুহিনিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী লৌমীশিং লৌফমদা লৌ উবা খক্তা নত্তনা ঙা য়োকপা অমদি ষণ য়োকপা, মনা-মশীং থাবনচিংবা কয়া পায়খৎতুনা শেন্থোক হেন্না তানবা তঙায়ফদে। মসি লৌমীশিংনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌবা চঙই। ৱারী ওইনা তাবখক ওইরবদি মতম শাংনা শেলগী অৱাবা ওইগনি। দিপার্টমেন্টকী থবক তৌনা তৌনা ইঙ্খোল কোয়দুনা মনা-মশীং মরাঙ কায়না পুথোক্তুনা তলব খক নত্তনা শেন্থোক লম্বী অমসু লাকপা ঙম্লি। হৌজিক লৌমী অমা ওইনা মনা-মশীং পুথোক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখিবা নোংপোক ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট ঐচ ইবোহনবীনা ফোঙদোকখিবদা, লৌমী অমা ওইনা শক্তাকপদা ইকায়বা ফাওরবদি ঐখোয় মীপাল তাংলবা, তুংগী লম্বী লৈরক্ত্রবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবনি। লৌমীগীদমক লৈবা লোয়শঙনা লৌমী খরগী মতিক চাবা পোৎলমশিং পীবা ঙমদ্রবদি লোয়শঙ অমদি মরী লৈনবা মীনিষ্টর লৈবগী মথৌ তারক্লোই। মখোয় ৱাখল খরা খন্থবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নোংপোক ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী অপুনবা লুপকী ৮ লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। লৌমী কয়াসু থৌরম অদুদা য়াওখি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

# চাইল্ড হেল্ড কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএন এস): চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌ঠ সোসাইটি থৌবালনা এসোসিয়েসন ওফ প্রোফেস্নেল সোসল ৱার্কর মণিপুরগা পুন্না শীন্দুনা নোংমগী ওইরিবা রিপ্রদক্তিব চাইল্ড হেল্‌ঠ কেম্প অমা ঙসি ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফৌদেল কাইরেন্বী প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু পাঙথোকপগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌ঠ সোসাইটি থৌবালগী প্রোগ্রাম মেনেজর সীঐচ বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, কেম্প অসিদা গাইনি, পেদিয়াত্রিক্কী দোক্তর কয়ানা লায়েংবগী থবক চথখি।

মীরোনবী নুপীশিং, অঙাংগা মরী লৈনবা লায়না লাইওং কয়াসু লায়েংখি। পুন্না মীওই ২৫০ রোম লায়েংদুনা অলত্রাসাউন্দ অমদি হিদাক লাংথক কয়াসু য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌ঠ সোসাইটিগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর বসন্তনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা অঙনবা জুলাই থাদগী ঙসি ফাওবদা হেল্‌ঠ কেম্প ৫৪ পাঙথোক্তুনা মীওই লিশিং তরাগী মথক্তা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা পীখ্রে। মখা তানসু হেল্‌ঠ কেম্প কয়া মীয়ামগীদমক খন্দুনা পাঙথোকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফৌদেল কৈরেনবী প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখিবা রিপ্রদক্তিব চাইল্ড হেল্‌ঠ কেম্প অদুদা গাইনি, মেদিসিন, ওর্থো অমদি পেদিয়াত্রিক্কী দোক্তর কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা লায়েংবগী থবক চথখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।